*অতোপ্পশিংগীদমক লৈবখক্তনা হিংদুনা লৈহৌগনি।*
*- বিবেকানন্দ*

লৈরাং

## য়েকঙমদ্রবা শক্তম

**— মোইরাংথেম কুলচন্দ্র**

পূক্নিংগী মিৎনা উরুবা
থৌদোক খুদিং
তুলিনা -
য়েক্লে মিতাবা শক্তম
লাইয়েকপা'মা ওইনা
লৈকোল লৈরাং
খূৎশেম মহৌশা।
য়েক্ত্রে শক্তম মাগী
উরবসু পূক্নিং মিৎসিনা
লৈখোক তীল চঙলবা
য়েন্নিং-থাদা য়েন্নিং হুন্দ্রবা
লৈনা লৈয়োন
শীঙেল লৈকা।
রাহু-কেতুনা পামজবা
খয়াত্তা তারবী 'থাজ'
য়েক্ত্রে অৱাবগী শক্তম
মঙাল থোক্ত্রবা থাজ।
পামজবনি ফজবা
ফজবনা পূন্সিনি।

## মীৎকপ থোকপা ঙাইবদা

**— মাইস্নাম বীষেশ্বর**

লানগী লানবন্না কোইশিল্লিবা
করম্বা মতমদা লোইখিগদোইনো
মৈশা লাংলিবা লমদমসে ?
শৈদাংবনা মপু ওইবা লম
পুকচেল ফরুবা য়েক সলাই ফূরুপ
রিফ্যুজি ওইনা খোঙদাফম ওইররে
অরানবনা অশেংবা ওইবা লম
অচুম্বা কাঙলোন মাঙখ্রবা লম
কৈদৌঙেদো ৱায়েল বিচারনা ?
শৈদাংলকপনা খা-রাই খঙদ্রবা
মপু-মপু ঙাক্তা ঙাইবা লম
কদোমদা চৎকনি পূন্সি মহিং
খৌগংলবা পূন্সি মরেল ওইররে
মরেক মহাও অমত্তা থোকপা ঙমদ্রে।
লৈঙাক চুক্লি মওংসে করম্নো
য়েলহৌ ফূরুপ লুপখ্রগনি
ঙাকপী শেনবীনবা কদাইদা লৈরিবগে?
মীৎকপ থোকপা ঙাইবদা লোইখ্রনি
য়েলহৌ ফূরুপ্পু থিবা ফংখিদ্রা
ইশাগী হক কঞ্জবা ঙাইবদা
পেম্মা নঙসু ঐসু পুমসি তাখ্রনি।
ওন্থোকপা লাইবক ওইররে
লৈঙাকপশিং মীৎয়েং মীৎকপ থোকপা ঙাইরিঙৈদা
পূন্সিনা মোংফম লম্বীদা খুরৌ থাংলরে।

## পূন্নমক্তগী হেল্লি

**— আর কে মীনা**

ঈশিংনা মৈ মূখৎলি
নুমিৎকী মঙালনা অমম্বা মাঙহল্লি
উদনা চাক্লিবা মৈরিসিদি
নুংশিবা থম্মোয়গী মরোলতনা
মূখৎপা ঙম্মী অচেৎপা ৱাখলনা
কলি যুগ অসিদদি মপুগী মীংলেন
তৎতনা শোনবনা পাপ পূন্নমক কোকহল্লি।
মথম্মোয় শেংবা মীশিংদুদি য়াইফরবনি
মখোয়দুদি ঈশ্বরগা য়াম্না নক্লরবা মীওইনি
ধর্ম্ম হায়বসি মীওইবগী তোপ তোপ্পা মথৌ অমনি
মীওইবগী পূন্সিদা ধর্ম্ম য়াওদ্রবদি শাগী পূন্সিগা মান্নৈ
নুংশিবগী মথৌ অনী লৈ মদুদি থৌজালহৈবা অখাঙ কনবা
পূন্নমক্লা হায়নৈ নুংঙাইবা অমদি অৱাবা
অনীমক পূক্নিংগী ফীভম অমনি
নুংঙাইগদবা লম্বীদি থম্মোয় শেংবা
অতোপ্পশিংবু নুংঙাইহন্নবা মতেং পীবদুনি।
নশামকপু লাকশিঞ্জগে খল্লবদি কোক শীজিন্নৌ
অতোপ্পশিংবু লাকশিনগে খল্লবদি থম্মোয়বু মথৌ তৌবীয়ু
মালেমসিদা লৈরিবা কোক পূন্নমক্তগী
অফবা থম্মোয় অমনা পূন্নমক্তগী হেল্লি।

## মন্ত্রিনি ঐখোয় নুপীগী

**— শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

মানি ঐ মন্ত্রিনি
ঐখোয় নুপীগী মন্ত্রিনি,
মানি ঐ কৈরোই লৈকায়গী মন্ত্রিনি
মানি ঐ কেন্দ্র অসিগী মন্ত্রিনি
লমদম অসিগী লৈবাক অসিগী
মন্ত্রি নত্তে, মন্ত্রিদি মন্ত্রিনি।
কোয়না চৎলি
জীপ কার তোংলদুনা
মতুংদা সিফাই ময়াম্না ইন ইন্দুনা
মখূৎ মশা খুদোম্বী
থিন থিন্দুনা ঙাঙই,
মহৈ মহৈ হায়নৈ
মন্ত্রিনা হায়রম্বনি, মন্ত্রিনা হায়রম্বনি।
মন্ত্রি ওইদ্রিঙৈ, এম এল এ ওইনবা
হোৎনবদা মখূৎ মশা লোন্নদুনা
মীচম মীয়ামদা নোঞ্জদুনা
হায়জখি, ঙসিদি কাউখ্রে
অনৌ অপেন মীয়াম্না হায়জবা
তৌবীয়ু মসি-মতদি
তাইবুংঙো, মামো, তামো
খুরাইবুংঙো মিঙ্গৌ ময়াম
অসিদা মথোই কাখিদুনা
ঐ মন্ত্রিনি - ঐ মন্ত্রিনি
ঐখোয় নুপীগী মন্ত্রিনি।

## মতম য়ৌরে ঙসিদি (১)

**— রোমাকান্ত**

হৌগৎলো হৌগৎলো নৎতরে মতম ঙসিদি
নীংঙাইদনা তূমখুল তানবগী
হৌরো হৌরো মীতৈ কংলৈচাশা
উৎলসি ঙসিদি থৌনা ফন্না
নীংতম্বা পামজবা মীতৈ খুন্নাইনি
থৱায়না পোন্থা পীঙমখিবা
নজাতি নরমদমগীদমক
লেপ্পরো খোঙফম চেৎনা।
হিংলিবনি ঐখোয় শিবা ঙাইনা
পোকঙমদবা মপোকনি খন
হিংখিগদরা কিথি-কিরুম
ঐখোয়বু লমলানবা মচারনে?
ৱাহংদি থোরকখিনি ময়াম
লিশীং-লিশীংনা খুজিং ওই
ফংলোই পাউখুমদি খঙনীংবগী
কনানা কনাদবু হংগবনো!
তাবরনে মমি লোক্তাক লৈমদা
থাদখিবা শাউরংনবা নুঙদুগী মমি
ঙাইবরোইসি ঙসি হয়েং
য়োৎতি শারিঙৈদা য়েহৌগদবনি।
লোইখিনি পূন্সি চেঙজেলদি
তুংগী যূম্বুরেল কয়ানা
হংলক্কদৌরি তুংদা তত্তনা
ঐখোয়বু কদাইদগী হৌরকপনো
খুন্নীগনি পাউখুম ঙসিগী কনানা!!

## মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্‌থৌলোল্ লম্‌পুপা'

## (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(৭৬২)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী ইথোক্লুনা ফোঙজরগনি।)

প্রতাপ নারইয়ন অথৌবা ফাহৌরে। কে কে তুরেললুদা ৱাংলেন ডমান কৌবা পুঙলেন মঙা খোমনা লোকহৌয়ে। লমলেল লাইচম লোকতা। নোংচুপ কোঙয়াঙ অথৌবা ফাহৌয়ে। খুখা নামবী ঈৱাংখা লমদা। মোইরাং হারম লমবী লমতাকপবু লাকচাথীনা ফাহৌয়ে। লোকলাও অচলপা লমদা। লোইবী ৱাংকেলচা। হুয়েল পীশিল লাইবা মিংকৌবা ফাহৌয়ে। খুমু মায়রেলবা। ময়ুম লমগী। লোইবী চীঙশাং তায়োল লালচীঙলকপা। হুয়েল নুঙখল লাইবা মিংকৌবা অথৌবা লাকচাথীনা ফাহৌয়ে। ●

## ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯕꯥ'

## (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯷꯶꯲)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯒꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯏꯊꯣꯛꯂꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯖꯔꯒꯅꯤ॥)

ꯄ꯭ꯔꯇꯥꯞ ꯅꯥꯔꯏꯌꯟ ꯑꯊꯧꯕꯥ ꯐꯥꯍꯧꯔꯦ॥ ꯀꯦ ꯀꯦ ꯇꯨꯔꯦꯜꯂꯨꯗꯥ ꯋꯥꯡꯂꯦꯟ ꯗꯃꯥꯟ ꯀꯧꯕꯥ ꯄꯨꯡꯂꯦꯟ ꯃꯉꯥ ꯈꯣꯝꯅꯥ ꯂꯣꯛꯍꯧꯌꯦ॥ ꯂꯃꯂꯦꯜ ꯂꯥꯏꯆꯝ ꯂꯣꯛꯇꯥ॥ ꯅꯣꯡꯆꯨꯞ ꯀꯣꯡꯌꯥꯡ ꯑꯊꯧꯕꯥ ꯐꯥꯍꯧꯌꯦ॥ ꯈꯨꯈꯥ ꯅꯥꯃꯕꯤ ꯏꯋꯥꯡꯈꯥ ꯂꯃꯗꯥ॥ ꯃꯣꯏꯔꯥꯡ ꯍꯥꯔꯝ ꯂꯃꯕꯤ ꯂꯃꯇꯥꯛꯄꯕꯨ ꯂꯥꯛꯆꯥꯊꯤꯅꯥ ꯐꯥꯍꯧꯌꯦ॥ ꯂꯣꯛꯂꯥꯎ ꯑꯆꯂꯄꯥ ꯂꯃꯗꯥ॥ ꯂꯣꯏꯕꯤ ꯋꯥꯡꯀꯦꯂꯆꯥ॥ ꯍꯨꯌꯦꯜ ꯄꯤꯁꯤꯜ ꯂꯥꯏꯕꯥ ꯃꯤꯡꯀꯧꯕꯥ ꯐꯥꯍꯧꯌꯦ॥ ꯈꯨꯃꯨ ꯃꯥꯌꯔꯦꯂꯕꯥ॥ ꯃꯌꯨꯝ ꯂꯃꯒꯤ॥ ꯂꯣꯏꯕꯤ ꯆꯤꯡꯁꯥꯡ ꯇꯥꯌꯣꯜ ꯂꯥꯂꯆꯤꯡꯂꯀꯄꯥ॥ ꯍꯨꯌꯦꯜ ꯅꯨꯡꯈꯜ ꯂꯥꯏꯕꯥ ꯃꯤꯡꯀꯧꯕꯥ ꯑꯊꯧꯕꯥ ꯂꯥꯛꯆꯥꯊꯤꯅꯥ ꯐꯥꯍꯧꯌꯦ॥ ●

## লৈচিল মপৈ - ১০

অসুম্না হায়রল্লগা ইবেনিগী মশম তাপ পায়দুনা চিংথুরে অদুগা মচীন পেন্না চৈরকই,

"চৎলু, নঙগী লৈফম লৈত্রবনি হিংচাবী, চৎখ্রো চৎলু।"

"বাবা ঐ লানখ্রে, ঐগী ইরাল অমুক্তা ঙাকপীয়ু।"

ইবেনিনা মপুরোইবা চাউবগী মখোঙদা তুরম্মী।

"ঙাকপীবা, মীহাৎপী নঙবু ঙাকপীবা। চৎখ্রো চৎলু হিংচাবী।"

চাউবনা মাগী নুপী ইবেনিবু খোঙপাক্লা কাওরম্মী।

"ইপাগী ইবেম্মা সোরো। ইপা লাল্লে। ইপা নঙোন্দা য়াম্না লানখ্রে, য়াম্না লানখ্রে। ঐনা ইচাবু হাৎপনি। লৈকায় লৈকায় ঐ মী হাৎলে, মী হাৎলে। ও, কল্লকইদা! ইপাগী ইবেম্মা লাইবক চাউবী। নপা ঐবু থাদোক্তুনা মফম কৈদা চৎলবগে। নখোয় নচীন নৌপ্বানা নপা ঐবু ৱারৌরব্রনে? নত্তে-নতে, ইচাগী মশক উদবা ঙল্লোই। ইপাগী সোরো, ইপা লাক্লে। নপাবু অমুক্তা ঙাইরম্মুনে। ইচাগী হৈনা তুং ইল্লক্লগে।"

মচাগী মনাক্তা তারিবা থাঙদু ইরেন লৌখত্তুনা চাউবনা থবাক্তা থুম্না থিঞ্জিনখ্রে। 'ই... পা... গী... ই... বে... ম্মা... ন... পা... ঐ... বু... ঙা... ই... র... ম্মু... কো... ন... পা... লা... ক... লে... রা... জে...ন...' হায়রল্লগা লৈমাইদা লোংনা হাইথখ্রে।

অঙাওবা মালয়া নুংশিৎনা মচীন-মৌপ্বা অমদি মপাগী নুংশিরবা ৱারীসে তাইবঙ কনাগী নাপ্পদা শিনবা থুংনা য়েনখ্রসনু।

**— সামোম রঘুমনি**

# অনীশুবা লাঞ্জাউদা খুরাই চিঙ্গাংবম মান্দপ



**মতম মতমগী ৱাখল**

**মাখোনমনি মোংসাবা**

মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওগী ৱারী তাখি। লাঞ্জেনবগী ৱারী অবোক্লা য়াম্না লীবীরম্মী । মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও ফুঙ্গা ৱারী নত্তে, চাকঙাই ৱারী নত্তে । ইংরাজিগী মিথ লিজেন্দ হায়বদুগী মনুংসু চন্দে । অশেংবা থোকখিবনি কুইদ্রি চহী চাম্মা ফাদ্রি মরিফুতারা খর হেনবদা ঙাইরি। ঐখোয়গী লমদম অসিদা অনীশুবা লাঞ্জাওবু জপান লান হায়রগা হেন্না অহল লমনশিংনা খঙনখি। জপান লাল হায়রিবসি জপন্নীজ কাঙবুগা মণিপুরগী মীয়ামগা শোক্লবা লাল নত্তে। বৃটিশনা খুদুম চনশিনখ্রবা ইন্দিয়াদা লৈরিবা সাহেবশিং বৃটিশকা শোক্লখিবা লালনি। মতম অদু মণিপুর ইন্দিয়াদা তিনশিন্দ্রি, বৃটিশকী সুপনম লৈঙাক মখাদা লৈরিঙৈদনি। নিংথৌ পানবা লৈপাক ওইরিঙৈনি।



লাল হায়বা ৱাহৈ অসি লমদম অসিদা অনৌবা ৱাহৈ নৎত্রে । লানফম অচৌবা কয়া ওইদুনা লাকখ্রবা মণিপুরনি। মালেমগী ওইবা অনীশুবা লান লাকত্রিঙৈ পীকখ্রবা ইরমদম মণিপুরদি অৱা লান্থেং চহী তরেৎ খুন্তাকখ্রবনি, কুমশীং ১৮৯১ এঙ্গলো মণিপুরী ৱার, খোংজোম লান শোক্লরকখ্রে। লাঞ্জাও অয়াম্বগী লোইশিনফমসি ঐখোয়গী চীংলৈবাক লমদম অসিদা হেক্তা ওইখি। হন্দক্কী জপান হায়রগা খঙনরিবা অনীশুবা লাঞ্জাও করিদগী হৌরকখি হায়বা অশাংবা ৱারী ওইবনা মতাং অসিদা পুথোকচদ্রে । জপান্নীজশিংনা ইন্দিয়াদা লৈরিবা বৃটিশকী মথক্তা লান্দানবগীদমক ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক্তা লৈরিবা চীংলৈবাক লমদম মণিপুর অসি মরুওইবা মফম অমা ওইনা জপান্নীজ লাম্মীশিংনা লৌখি। মখোয়না পায়রিবা লানগী মেপ্তা মণিপুর য়াওরি । মণিপুর চঙলক্লবগী লম্বী মাইকৈ মরী (১) টিদিম লাইন, (২) পলেল লাইন, (৩) উখ্রুল লাইন অমদি (৪) কোহিমা লাইন অসি মখোয়গী মেপ্তা মরুওইনা তাক্লি। টিদিম লাইন অসি জপন্নীজ উমি গ্রুপনা লুচিংলি, পলেল লাইন অসিনা রেটসু গ্রুপনা লুচিংলি, (৩) উখ্রুল লাইন অসিনা সাটো (মাটসুরি) গ্রুপনা লুচিংলি,অমদি (৪) কোহিমা লাইন অসিনা জেটসু গ্রুপনা লুচিংলি ।

মতম অদুগী মণিপুরগী ফিভম, লম্বী থোং নাতৈ য়াম্না চাদ্রি। মচি মচিদা লানগী ৱারী ঙাক্তনি। কুমশীং ১৯৪১ লোইরকপা ১৯৪২ হৌরকপা মতম অসিদা কৈথেল ফম্বীশিংনা শানবা ৱারীসু লানগী ৱারীনি । লৈকাই লৈকাইদা ৱারী মচি মচিদা লীনবা হেনগৎলকই । জপান্না মন্দলে লৌশিনখ্রে মণিপুর য়ৌরক্লগনি। মীচম মীয়াম শুফম নোম্ফম খঙনখিদে। ইঞ্জিন পানবা গাড়ি লৈনদ্রি, গাড়ি থৌবগী মখোল তাদ্রি। খোঙনা চৎনরি, তুরেলদা হিনা পোৎ পুরগা চৎনরি। নোংথক্তা এরোপ্লেন পাইবা উদ্রি । এরোপ্লেন হায়বসি ঙল্লিঙৈদা হায়নরক্তে। এরোপ্লেনবু ঐখোয়না বেলুন হায়না খঙনৈ । এরোপ্লেন পাইববু বেলুন পাইবা হায়নরকই। মীচম মীয়াম ওইদবা ঙাঙনদ্রি, থৌগল্লোন তম্নরি । লাইরিক তম্বা হায়বা অমা কন্না লৈত্রি । মহৈদি ঙন্না তম্নরে । লান য়ৌরক্লগনি চেকশিন থৌরাং তৌনবগী হায়নবা অমদি তানরে। লান লাক্লগনি বোম থাদরগনি অদুনা মাগী মাগী ইস্খোলদা কোম তৌদুনা লোৎনবা শেম্নগদবনি । সাইরেল খোংবা হায়দুনা অহৌবা মখোল অমা খোংলক্লবদি কোম মনুংদা চেনশিনগদবনি। পাকথরগা নাকোং মেন্দুনা লোৎকদবনি। অসিনচিংবা ৱাহৈশিং অসিনা লৈরক খুল্লক ৱারী ওইনা লীনরকখি। খঙহৌদনা পাউ তারকই । ইম্ফালগী মফম খরদা বোম তারে , বোম থাদরে। মী য়াম্না শিনরে । এরোপ্লেন পাইরক্লে বোম থাদরগনি কোমদা চেনশিল্লু, পাকথৌ হায়রগসু এরোপ্লেন পাইরকপা উজদ্রিবনা প্লেন পাইরকপা য়েংনিংবা মীসু য়াম্না য়াওনখি। মমাংদা থোকখিবা অৱা লান, খোংজোম লান থাংগী লান্নি। হিংনা হিংনা থাংনা য়াম্থৎনবনি । হন্দক্কী জপান লান অসিদি এরোপ্লেন্না পাইরক্লগা নোংথক্তগী লেন তারকপগুম বোম থাদগদবনি হায়বসিদা অঙকপা অমগা লোয়ননা য়েংনীংবা মী লৈখি।

খঙহৌদনা কুমশীং ১৯৪২ মেগী তাং ১০ অমদি ১৬, ১৯৪২ অসিদা অহানবা ওইনা ইম্ফালদা জপান্নীজশিংনা বোম থাদরকখি । মী য়াম্না শিখি অশোক অপন নঙখি হায়নৈ। জপন্নীজশিংনা বোম থাদরিবা অহানবা অমদি অনীশুবা মফম অসি কদায়দনো অমদি লান্দা শোকখিবা লৈখিদবা ইমুংশিং, মমিং মথা য়াওনা চপ চানা থিজিন্দুনা থম্বীরম্বা থেংনদ্রি । ঐখোয় অয়াম্বনা অহানবা অমদি অনীশুবা বোম তাখিবা মফমশিং খঙনদে । ঙসি ফাওবা মরী লৈনবা থৌরম অমত্তা মশক থোক্লা পাংথোকপা থেঙনদ্রি । জপান্নীজশিংনা ইম্ফালদা বোম থাদরিবা অসি ঐখোয় মীচম মীয়ামগী মথক্ত নত্তে। বৃটিশ লৈঙাক্কী মথক্তনি, বৃটিশ লাম্মীশিংগী মথক্তনি। অদুবু শোক্লিবা মাঙ তাক্লিবা লন-থুমদি ঐখোয়গী মীচম্নি । বোমনা শিহল্লিবসি ঐখোয়গী মীয়াম্নি। ঐখোয়গী মীচম মীয়াম জপন্নীজশিংগা য়েক্লবা ওইখিদে। অদুবু জপান লান হায়রগা খঙনরিবা লান অসিদা মীকপ মীরাওখোন নঙলিবসি লমদমসিগী মীয়াম্না ওইরি। জপন্নীজশিংনা ইম্ফালদগী হাইথখিবা মফমদা নোংথক্তগী লান্দারকখিদে মরম অসিনা মীচম মীয়াম্না ইম্ফালদগী হাইথখ্রবা অরাপ্পা মফমশিংদা মাগী মাগী নক্লবা মরী মতা নত্রগা খুদোং চাবা মফমশিংদা লাঞ্জেন্নখি। মী লৈনদ্রবা যুমশিংদা বৃটিশকী সিফাইশিংনা চংশিন্দুনা লৈখি । লাঞ্জেন্নখিবগী থৌদোক ৱারী কয়া কয়া লৈরি।

মতম খর লান নেমবগুম তৌখি। লাঞ্জেন্নখিবশিং হঞ্জিন্নরকপা খরসু য়াওখি । অয়াম্বনা যুম শঙদবা য়াদবগী নুপা অমা অনীনা শঙহৌরগা নুপী অঙাংশিংদি অথাপ্পা মফমদা লাঞ্জেন্নখি। লান নেমথবা মানবনি নেমলমদ্রি । কুমশীং ১৯৪৩ এপ্রিলগী তাং ১৯ শজিবুগী থানিলনি। খুরাই মাইকৈদা লৈবা খ্বাইনা চিঙ্গাংবম মান্দপ হায়না খঙনবা মফম অমদা অহল লমন, মীয়াম তিন্দুনা থৌরম অমা পাংথোকখি । মতম অদুগী চৎনরকপদা মীয়াম তিনবদা শেৎনবা ফিরোলসি অয়াম্বনা অঙৌবা মচু ওইগল্লি। অচম্বা ফিজোলনি থোইনা অকে অমৌ য়াওনদে । খঙহৌদনা নোংথক্তা অহৌবা মখোল অমা তারকখি । মখোল অদুগা লোইননা খোইয়াম পাইবগুম প্লেন ময়াম অমা পাইবা উনরকখি । খঙহৌদনা বোম থাদরক্তুনা অহৌবা মখোলদা পোকখায়বা তানরকখি। অতৈদা পোকখায়বা ওইরমখিদে মীয়াম তিনবা চিঙ্গাংবম মান্দপ হায়না খঙনবা অসিমক্তদা বোম থাদরকখি। মীচম য়াম্না শিখি অশোক অপন নঙখি। চিঙ্গাংবম মান্দপ বোম্না ফিভম থিনা শোকখি। থৌদোক ৱারী অদুবু ঙসি ফাওবা চিঙ্গাংবম মান্দপ্তা বোম তাবা হায়না শোন্নরি। মসি ফাওবসি শমজিন্না চাউরাক্লা লীজবনি।

চৎলিবা থা এপ্রিলগী তাং ২০,২০২৬ অসিদা থৌদোক অদুবু নীংশিংবা অমদি মফম অদুবু ৱারগী হেরিটেজ সাইদ, লানগী নীংশিং যুম্বী খিন্দুনা তুংকোইনা লৈহৌনবগীদমক মাইকৈ অদোমগী অখঙ অহৈ, অঙম অথৌ, লৈপাক্কী লুচিংবশিং য়াওনা নীংশিং যূম্বী মায়খুম হাংদোকপগী থৌরম অমা পাংথোকখিবগী পাউ মিডিয়াদা থেংনখি । মতম কুইনা ঐগী তাবু নুংদা লৈখ্রবা চিঙ্গাংবম মান্দপ্কা মরি লৈনবা থৌদোকশিং নীংশিংলকই । ঐহাক্লা লমদম অসিদা থোকখিবা জপান লানগী মরমদা কন্না থিজিনবা মতম কুমশীং ১৯৯১ অদুৱাইগী ৱারীনি।

ৱারী অসি খুরাই চিঙ্গাংবম লৈকাই মান্দপ ময়াদা লৈবা ক্ষেত্রিময়ুম শাগৈদা ওংখিবী চন্দ্রসখি কৌবী অমগীনি। ইমা ইবেম্মা ক্ষেত্রিময়ুম ওংখিবী চন্দ্রসখি ঐহাক্কা হকথেংননা ৱারী কয়া শান্নজ হৌখি। ইমানা নঙখিবা লানগী অৱা ৱারী কয়া কূপ্না খঙজহৌখি। ৱারী খঙনবা হোৎনবদা ইমাগী যুমদা তোয়না চৎখি । ইমা ইবেম্মা চন্দ্রসখি অঙাং ওইনা ক্ষেত্রিময়ুমদা লুহোংলকখিবনি। সগোলবন্দ তেরা লৌক্রাকপম লৈকাইদগী খুন্দ্রাকপম গুলামজাৎনা পোকচবনি। অঙাং ওইনা লুহোংলকখিবনা লানগী মরমদা পাউ খরা তাবা নত্তনা অতৈ কয়া হেন্না খঙজখিদে। লুহোংবা মতুং থা অহুম শুবদা ইমুং মনুং য়াওনা চীঙ্গাংবম মান্দপ্তা কৎপা থাগী চাকলোন কৎপা য়াওরুবনি। খঙহৌদনা তারকপা বোমনা ইমা ইবেম্মা অসিগী খোঙ ওই খুকউ মখাদা ককখি । খুৎ য়েৎ থংবসু বোম্না পান্দুনা ফিভম থিনা শোকখি। তশেংনা শোইনাইরবী অমা ওইখি । ইমা ইবেম্মাবু লৌরিবা পাবুং গোবিন্দগী দুহন ওইরম্মী । গোবিন্দগী থৌগল তৌজরিবা মীশক অমগী লোইনবীনা শোইনাইবী ওইরগদি মীয়ামগী অমদি গোবিন্দগী থৌগল চঙবদা তৌহৈদবা অমনি খন্দুনা বোমগী চৈথেং নঙলিবী মরাইবক থিরবী ইমা চন্দ্রসখি অসি নুংশি নুংশিনা কায়নবা তাখি । কনাগী মরালনো । ইমা ইবেম্মা করিসু খঙজদ্রবী, নুপীমচা অঙাং ওইনা যুমপানবগী লম্বীদা থা অহুম শুবদা ঙাইরকপদা বোমগী চৈনাগী মথক্তা শোইনাইবী ওইখিবী,নুপা ময়ুমদগী শোক্ল শম্নবা য়াদবা অমা ওইনা হিংলমখিবী মহাক্কী ৱারীসে নহাল হাংদোকখিবা খুরাই চিঙ্গাংবম মান্দপগী নীংশিং খুবম অসিদা শরুক য়াওরি। মীওই কয়া লৈখিদে অদুবু ইমা ইবেম্মা অসি চহী কয়া থৌদোক অদুবু নীংশিং নীংশিংনা মিৎতগী পি শিন্থনা অৱাবা ৱারী কনাগী মফমদসু লীথোক্তনা লৈরম্বা অদু ঐহাক্কা মায়োক্লজখি। লানগী বোমনা শোক্লবনি শোয়নাইরবীনি শোক্ল শম্নবা য়াদ্রবনি হায়না ইস্থোকপা অমগুম্না হিংলমখি । মথন্তা থোংলগা চারমখি। মতম খরা ইমাগা উন্নখিদে । তরেৎলক কোয়দুনা লুহোংলগা লৌখিবা যুমগী মৌ ওইখিবী ইমা চন্দ্রসখিবু পাবুংনা মাংলবনি হায়দুনা মতম কুইনা শোক্ল শম্নখিদে। ইমাগা উন্নগে ৱারী মখা তাজগে চৎলুবদা, ইমাদি তাইবং পানবা থাদোকলম্লে । বোম্না পাল্লবী শোইনাইরবীনি মাংঙি হায়দুনা শোক্ল শম্নবীদ্রবা ইমাগী অষ্টি ফুল অদু পাবুংনা ঙক্তা শিরগা নবদ্বিপ্তা চৎখ্রে হায়না অপীকপা যুম অদু শো লোল্লগা লৈরমখি। ইমাগী ৱারী লোইদ্রি । ●

ৱারী ককনাউ

## নখোন খঙই তোম্বুং

"ঐনা হায়সি ফাগি ওইনা খল্লিরা?

"কৈদৌরগে ইশৌবী?"

"কৈদৌরে হায়বু কৈনো। নশানা খঙদ্রো? ৱাসে য়াম ঙাঙনগুমসি। নশক উদ্রসু নঙগী নখোন ফজনা খঙবা মীনি ঐ। থায়না নঙনা ঐ লৌদ্রিঙৈদা, নুমিদাংদা নঙনা নঙ লাক্লে খঙনবা থোঙ্গালদা হুই খোংলগা লিপৎ-লিপৎ চৎপদো, অদুফাও খোংলিবা হুইদু নঙগীনি হায়বা ফাও খঙলকখ্রবা মীনি"

"খঙদদি কৈনো, নঙদি ঐগী লোইনা খঙবা মীনি। নঙসে ঐগীদমক লাইনা শারম্মবনি কৈনো?"

"ৱাসে ঐ য়াম হায়নীংদে, খিত্তদা খঙনগদবনি"

"কৈনো অমুক তৌরক্লিসিনা? ঐদি ইচম-চম্না খল্লুই, কৈনো কনানা মৈ চুরক্লিনো, নঙনা ওমখৎলক্লিন্দুবো?"

"হৌরক্কনু হায়রিসিনি?"

"হোয়নে অদুবু কৈনো হায়দু ময়েক শেংনা হায়য়ু হায়বনিদা"

"যূমসিগী মায়সে হামুক তৈশিন্দৌরিব্রা কৈনোমা কন্না তৌরিয়ে। নচাশিং ফাও স্কুল চৎপা ঙল্লক্লোইদৌরি"

"ইহ... কৈনোনে হায়রিসিবো?"

"অদু নশানা খঙজদ্রো?"

"খঙদে। কৈনো হায়বনি"

"খঙলোইয়ে নঙদি অমত্তা খঙলোই"

"ইশৌবী..."

পুলিস দিপার্টমেন্টতা মমিং হায়রপ লৈখৎলক্লিবা ফৈজাওনা মাগী নুপীদা চেপথ-চেপথ হংলি। মাগী নুপী ইশৌবীদি মশাদু ঈ কারি। ৱা ঙাঙবদা চনীং তাদে। মশাদু ফি-ফি কাম্মী। ঙসাইদগীনি ইশৌবীনা মাগী নুপা হল্লকপা ঙাইরিসে। মাগী নুপাদু নহান্দগী যূমদা হল্লক্ত্রিবনি, দ্যুটি কন্না তৌরি শঙদে হায়দুনা ওফিসতা লৈখি। ঙসি মা মশা ঙমদে যূমদা লাক্তবা য়াদে হায়দুনা ঙরাংদগী কন্না হায়বদগী লাকপনি। মফি ফাওবা হোংদ্রিবনি। ইশৌবী ফমুংদগী মখোঙদু য়াম্থরগা মশাদু ফৈরপ লুখুমলোমদা ওনশিল্লগা ফম্মী। মাগী নুপা ফৈজাওনা মাগী য়েৎথংবা নাকলদা ফম্মগা মাগী নুপীদা ওনশিন্দুনা ৱারী শারম্বনি। ৱারীসি ইশৌবী মশা ঙমদবগী ওইরমদ্রে। ইশৌবীগী কমপ্লেন্ট খরা পুখৎলক্লগা চপ চাবা ৱারী অমা শাননবগীদমক ইশৌবীনা মাগী নুপা ফৈজাওবু কৌবা ওইরম্মে। ফৈজাওদু ৱাদু মেন-মান অমত্তা তাদবনা করিনো হায়ফম অমা ইখঙ খঙদে। অহানবদদি উন্নদবা নুমিৎ মরি/মঙানি শুবদুদা হায়রপ ওইনরিবোই খল্লুবনি, অদুবু মানশিল্লক্তবদগী মশাদা চিংনবা অমা ফাওরক্তুনা মশাদা লৈতাদবা অমা ফাওরে, অদুনা মাগী নুপীগী মশাদা খরগা হেন্না নপশিল্লগা হংলক্লি।

"ইশৌবী, সে হায়রোসে, কৈনো নঙনা হায়নীংই হায়দো। কনানা নঙোন্দা করি হায়রকইনো। হা হায়য়ু, ঐঙোন্দা শেংনা তম্মু, কনানা করি হায়রকই"। ইশৌবীদু হন্দক্তি ঙসাইখৈদগী খিত্তং হেন্না শাওগৎপা মাল্লি। খোনদু খিত্তং ৱাংলপ্না ভোল্যুম হান্নদৈ খিত্তং লৈখৎলক্লগা খুম্মকই।

"কনামত্তনা কৈমতা হায়দে। নঙ নশানা হায়বনি কো। নশানা হায়বনি"

"ইহ কৈনোনে হায়রিসিবো? ঐবু নঙোন্দা করি হায়খ্রগেনে?"

"য়াম খঙনীংবরা?" হন্দক্তি লৈথোক্লুবা ইশৌবীদু মমায়সু মশাসু লৈশিল্লক্লে, মাগী নুপাগা মায়গা মায়গা ওনশিন্নরগা মমিৎতুনা মাগী নুপাদা মুন্না য়েংলগা মসিদি চপ চাবী তৌরগে মতাগুম মখা তারকই।

"ৱাসে লোৎনরোইসি কো। নৎত্রদি ঙসিদি কয়া নাতৈ চানরোই হায়সিনি"

"কৈনো হায়বদু অমুক্তদি হায়য়ুদনা, ঐদি নঙোন্দা কৈসু হায়খিদে হায়না খল্লি"

"নঙনা ঐঙোন্দা হায়দ্রসু, হায়দি হায়বা নৎত্রা?"

"থানানা ঐনা ওই, অদুগা নঙনা থানাগী নুপীনি। ৱাসে, মনীং অমুক থৎ, মমাঙ অমুক থৎ, ঐ কোক্কা লোইনা ঙাওরেদা"

"ঙাওনিয়ে নঙ নকোক য়াম ঙাওনি"

"অদু কৈনো হায়য়ু হায়রেদনা"

"নঙনা নহান নুপী ময়াম রেল্লি চৎচবদুদা টিয়র গ্যাসকা অরৈবা মখৈ কাপ্পগা, মীগা কোইতান তান্নদনা নরিল অদুক য়াম ফরিদু কৈগীনো?"

"ইহ অদুগী ওইরে, অদুদি দ্যুটিনি কৈনো?"

"নঙ চীংদদি ঙম্ব্রা?"

"অদুদি ঙম্মোইহে"

"তম্পাক্তনা লাই শাবা, চীংদনা নখূৎতু নক্রাংদা লোনবা, নঙবু মীরো?"

"চীংদদি ওর্দর পীদবগী ওইরমগনিদা"

"তম্পাক্তনা কনানা ওর্দর পীরিবা, চীংদনা ওর্দর পীনবা মী অমত্তা লৈত্রবরা?"

"অদুদি খঙদে, ঐখোয়দি মথক থোংবনা ওর্দর পীবগী তৌরিনি"

"ফরেনে অদুসু তৌরোনে, নঙনা নহান শগোলবন্দ পরিংগী রেল্লিদুদা উরিপোকলোমদা ওনশিল্লগা লাউরিবা খোন্দুবু কৈনো হায়বনিদা। নোইনা নুঙ থারক্লগা লৈমা জগোয় শারগা লৈয়ু হায়রা গাইনা"

"মীনা ঐঙোন্দা নুঙ থোল্লক্লদি ঐ কৈম তৌদনা লৈগদ্রো?"

"অদুদা নঙগী ওর্দরদুদা অদুম্মাইনা তৌরদি মীদু হাৎলু হায়না ওর্দর পীবরা হায়বনিদা"

"ইশৌবী...???"

"কৌরক্কনু তানীংদে। অদুদসু নত্তে, ঙসিসি শগোলবন্দ লোমগীনি, উরিপোক নোই কৈদৌ য়াওরক্লিনো, নোইগী পালি নত্তে, নমাইদু ইকায়দ্রা গাইনা"

"অদুদি ঐ নত্তেদা"

"হো ইবুংঙো ঐ লোইনা খঙই। নঙসে ঐগী নুপানি, চহী ১৪ হেন্না যূম পানমিন্নদনা লৈরক্লবনি। নোইগী অহলনা লৌ শঙম অমা য়োল্লগা থানা খল্লকপা ঐ লোইনা খঙই। হৌজিক লৌ শঙমদু অমুক হঞ্জিনবা ঙমদনা চেঙ ৱাল্লগা চারিবা ঐ লোইনা খঙই"

"ইশৌবী...?"

"তানীংদেমী"

"ঐ নত্তে হায়বা?"

"নখোন খঙই তোম্বুং" নঙনা অদুমাইনা সুম তৌদৌ লৈরদি ইবানি কায়নবনা ফরনি। নচাখৈসু স্কুল চৎপদা মীনা লক্লরনি থৌনা ফবা টিয়র গ্যাস কাপ্পগী মচানি হায়না। মৈরা পায়বীদা তান্ন-তান্নরগা নোংমৈনা কাপ্পীদুবু নমাইদু ইকায়দ্রো। মৈরা পায়বী হায়সে ইমানে, নুপীনে। নুপী ফূ হায়দনা নোই অহলনা লৌ শঙম অমা য়োল্লগা থানা খলহল্লকপ্রা হায়দো ময়েক শেংনা চপ চানা ঙাঙনসি। নৎত্রদি উরেদনা ঐ যূমদা হল্লনি হায়না ফি য়োমদুনা লৈরিসে... তু উরবসে..."

ফি ময়োম অনী/অহুম য়োম্মগা লৈবদু ফৈজাওনা উই। মা তৌফম খঙদনা মরূ লুকথরগা লৈখি। ●

**- নরেন্দ্র নিঙোম্বা**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।